HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




মসলসাগী মীৎয়েং মখাদা দি এল এস এ ইম্ফাল ইষ্টকী সেক্রেটরি অর্শদ সহিদ শাহ য়াওনা শজিৱা জেলগী ইনমেটশিংগী ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা

লৈখিদ্রবা ভি দি এফ অনন্দগী লোয়নবীদা লুপা লাখ ২ তেংবাঙখ্রে
☛ লামায় ২

লাইনীংলোনদা মীপাল তাংদনা হিংবনা অশেংবা নীংতম্বনি ঃ পন্থৌ
☛ লামায় ৩

মালা, জিরিবামগী খোঙচৎ
☛ লামায় ৪

অগ্নিপথ স্কিম এন্টি নেসনল অমদি এন্টি পিপল ওইবা স্কিমনি
☛ লামায় ৬

মোংশাঙ্গে মখা লৈকায়গী অরুবম ইস্খোলদা পাঙথোকখিবা ওল্ড এজ হোমগী ১২শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা হোমদা লৈরিবশিংদা খুদোল পোৎ তমখিবা




Vol. 46, Issue No. 084 | নোংমাইজিং, ইঙাগী ২১নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, June 19, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## নোংচুরবসু মীয়াম হুপ্না শরুক য়াদুনা ২১শুবা গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

# মণিপুর কন্নবগীদমক য়েক্নবা মশক খঙদোক্কদবনি ঃ জয়চন্দ্র কোন্থৌজম

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর কনসি হায়রবদি মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্না মশা মশাগী ওইবা ঐগী হায়বা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্নরগা ঐখোয়গী হায়বা ৱাখল্লোনদা থবক তৌবা অমদি লমদমসিদা নুংশি চান্নলা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংবু নুংশিনহন্দনবা হোৎনরিবা য়েক্নবশিং অদু হান্না মশক খঙদোকপা মথৌ তাই হায়না য়ু সী এমগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ২১শুবা গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দে ওবজার্বেন্স কম্মিটিগী চেয়রমেন কোন্থৌজম জয়চন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু সী এম অমসুং অমুকোগী গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দে ওবজার্বেন্স কম্মিটিনা শিন্দুনা ঙসিসু মহৌশাগুম অদুঙৈ জুন ১৮, ২০০১দা থোকখিবা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়দুনা হৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌ অদুবু নীংশিংলদুনা কেক্রুপাৎতা পাঙথোকখিবা ২১রক শুরকপা গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দেগী থৌরমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা মখা তানা হায়, মণিপুরদি মণিপুর ওইনা লৈগদবনি। মসিদা কুকিলেন্দ, গ্রেটর নাগালেন্দ হায়বা ৱাখল্লোন পুশিল্লকপা য়ারোই। অসিগুম্বা মখলগী অপিকপা ৱাখল্লোনশিং অসি থাদোক্কদবনি।

মীয়াম্না বেঙ্কোক এগ্রিমেন্ট হায়রগা হেন্না খঙনরিবা হৌখিবা কুমজা ২০০১গী জুন ১৪দা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি এন এস সী এন-আই এম অনীগী মরক্তা য়ান্নদুনা লাউথোকখিবা 'ৱিদাউট টেরিটোরিয়ল লিমিট' হায়বা ৱাফম য়াওরকপদগী মদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লমদম অসিগী মীয়াম হৌনরুবা তৌদনা অকনবা ঈহৌ অমা হৌরকখি।



মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়দুনা চহী অদুমক্কী জুন ১৮ দা হৌখিবা মীয়ামগী ঈহৌ অদুদা অথৌবা ১৮ থৱায়না পোন্থা পীখি। কয়া অমনা অশোক অপন নংখি। নুমিৎ অদুদগী হৌরগা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংনা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা ফিরেপ লৌদুনা লাক্লি। অমরোমদা অথৌবা ১৮না পুন্সি লোমখিবা নুমিৎ অসিবু হান্না লৈরম্বা লৈঙাক্না ছুতি থারমখি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্না হিরম অসি কেবিনেটতা পুথোক্তুনা ৱারেপ লৌরগা ছুতি ওইনা লাউথোকপীয়ু। মসিনা গর্ভর্নমেন্টকী থবক তৌরিবা মীপুম খুদিংমকসু নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিং মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎপগী খুদোংচাবা অদু ফংবা ঙমগনি। করিগুম্বা নুমিৎ অসিবু ছুতি থাবদা পামদবা য়াওরবা নৎত্রগা অয়েৎপা পীনবা হোৎনরক্লবদি মখোয় অদু লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা অকায়বা পীনবা হোৎনবা য়েক্লবা ওইনা লৌগনি হায়খি।

অমরোমদা ঙল্লিঙৈ মতমদা লৈরম্বা ইপা ইপুশিংনা থাঙ তেনখক্তমক পায়দুনা পাল্লিঙৈ মতমদা ঙমখৈগী শরুক্তা কনা অমত্তনা অয়েৎপা পীবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমত্তা হৈকৎ-লৈকৎ তল্লখিদে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) :ঙসিগী কেক্রুপাৎতা পাঙথোকখিবা ২১শুবা গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দেগী থৌরমদা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা শক্লাইবশিং লাক্তুনা হৈকৎ লৈকৎ তল্লরগনি হায়রদুনা থৌরম হৌগৎলকপদা কেক্রুপাৎকী নীংশিং খুডম চঙফমদা পুলিসকী মায়কৈদগী 'দোর ফ্রেম মেটল দিটেক্টর' ফাওবা থমদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলল্লগসু কোন্নথংদা লৌথোকখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা মহাক্কী মিনিষ্টরশিং অমসুং য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর আর কে রঞ্জনসু হৈকৎ-লৈকৎ তল্লখিদে। অদুম ওইনমক রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, বি জে পিগী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র, এম এল এশিংদা টি ঐচ শান্তি, টি ঐচ অরুনকুমার, এস নিসিকান্ত অমসুং কে ঐচ ইবোমচাদি হৈকৎ লৈকৎ তল্লখি।

## চীং নীংখাইরকপদগী ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ফাওনদ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): হৌখিবা এপ্রিল-মেদা মণিপুরদা প্রি মোন্সুনগী মাঙওইননা নোংকা হেন্না চুবদগী মণিপুরগী চীং অমদি তম্পাক্কী লমদা ঈশিং ঈচাও থোকখ্রবা মতুংদা মখা তানা অমুক জুন থা অসিদা হৌখিবা নোংম-নিনি অসিগী মমাঙদগী নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী হৌজিক তম্পাক্কী অকুৎপা মফমশিংদা ঈশিং থুমজিনবগা লোয়ননা মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা নেসনল হায়ৱে ৩৭কী এরিয়াদা চীং নিংখায়দুনা ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী ফাওনদ্রে অমদি মোরে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খৌপুমগী এরিয়াদসু ঈশিং ঈচাও মায়োক্নরি।

থৌদোকশিং অসিগী মতুংইন্না ফংবা পাউদা ঙসি তমেংলোঙ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী তৌসেম পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ন্যু কাইফুন্দাইদা ফিট ২০ লোম শাংনা চীং নিংখায়রক্তুনা লম্বী থিংজিনখিবদগী হৌজিক লম্বী ফাওনদ্রে। মসিদা নত্তনা লম্বী অসিগী কম্বীরোন এরিয়াদসু লেন্দস্লাইদ ঙরাংদগী থোক্তুনা লম্বী চৎপা য়াদ্রে। মসিদা নত্তনা খৌপুমদগী রেংপাং লম্বী অমদি খোঙসাং দগী তমেংলোং তাবা লম্বী অসিসু চীং নিংখায়বনা মরম ওইদুনা হৌজিক গাড়ী চৎপা য়াদ্রে হায়রি।

মসিদা নত্তনা খৌপুমগী এরিয়াদসু চীং নিংখায়বা অমদি অকুৎপা মফমশিংদা ঈশিং থুমজিন্দুনা মহৈ-মরোং কয়া অমাং অতা থোক্লে। নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লৌফম কয়াসু ঈশিংনা থুমজিনবদগী মহৈ-মরোং কয়া মাঙলে হায়রি।

## ইম্ফাল-মন্দলে ফ্লাইট

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিএসনগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থা অসিগী ১৫দা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না চয়োল অমদা ইম্ফাল-মন্দলেগী মরক্তা স্পাইজেটকী সর্ভিস ৩ লৈরগনি হায়রি। মসিগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্না অয়াবা পীবগা লোয়ননা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎকদবনি হায়নসু খঙহল্লকখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## চহী ৫গী নুপীমচা অমবু অহানবা স্কুল কাবা নুমিৎতা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবা ভেন দ্রাইভর ফাদোক পীখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) : ঙসিদগীনা চহী ৪ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৮গী এপ্রিল ২দা মতমদুদা মশাগী চহী ৫ খক্তমক শুবগা লোয়ননা লাংজিং অচৌবদা লৈবা গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফকী মোন্টেশ্বরি স্কুলদা কে জি ক্লাস খক্তমক তম্লিবী নুপীমচা অমবু নুমিৎসিমক্তদা অহানবা স্কুল কারবা মতুং ছুটি থারক্লগা ময়ুমদা ভেন দ্রাইভর অমনা থিল্লকপগী লম্বীদা গাড়ী মনুংদা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসতা য়ুম্ফম ওইদুনা চখরকখিবা ৱায়েলদা চেন্নবনি হায়বা ভেন দ্রাইভর অদু কোর্টনা ফাদোক পীখ্রে।

কেস অসিদা চেন্নবদগী ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা ফাষ্ট ট্রেক্ট স্পেসল কোর্ট (পোক্সো) নম্বর ১, মণিপুরগী জজ সলাম ইমোচানা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা ফাদোক পীখ্রবা মীওই অদুগী মমিং ইরোম রাখেস (২৫) অপোকপা আই নাওবা কৌই, লম্বোইখোংনাংখোঙ মমাঙ লৈকায়দগীনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা ভিক্তিম ওইরিবী নুপীমচা অদু অহানবা স্কুল কাবা নুমিৎ ওইবনা মহাক্কী অপোকপা মপানা স্কুলদা থিনবীখিবনি। অদুবু ছুটি থারক্লগা য়ুমদা হল্লকপগীদি অতোপ্পা মহৈরোয়শিং থিন্দোক থিনজিন তৌরিবা স্কুল ভেন অমগী দ্রাইভরদা শিন্নরগা মঙোন্দা য়ুম তান্না থিনবীরক্নবা হায়খিবনি।

মরম অসিনা স্কুলগী ক্লাস লোইরবা মতুংদা নুপীমচা অসিবু ভেন দ্রাইভর অসিনা ময়ুম তান্না থিল্লকখিবনি। অদুবু স্কুলদগী থোরক্লগা নুপীমচা অসিনা ভেন অসিদা কাখৎকে তৌবদা দ্রাইভর অসিনা মহাকপু মনীংদা তোংলিবা অঙাংশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## জুন ১৮গী থৌদোক বি জে পিগী মতমদা থোকখিবনি

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচএনএস) : হন্দক্তা কাংপোকপীদা নুমিৎ নীনি চুপ্না পাঙথোকখিবা বি জে পিগী মীফমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা বি জে পিনা চীং অমসুং তমগী মরী অমুক হঞ্জিনহল্লে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী মায়োক্তা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট হরেশ্বর গোশ্বামিনা বি জে পি লৈঙাক্কী মতমদা মণিপুরগী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি কায়হল্লম্বনি হায়বগা লোয়ননা অদুঙৈগী জুন ১৮গী থৌদোক অদু বি জে পিগী লৈঙাক্কী মতমদা থোকখিবনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কোংগ্রেস ভবনদা মহাক্না পাউমীশিংদা হায়, কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদবা লৈখিদে অমসুং লিশাং শিংনা লৈরক্লিবা কাঙলুপ মশেলগী মরী হেন্না চেৎশিন্না থল্লম্মী হায়রদুনা মসিগী মতিক চাবা খুদমনা শঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকখিবা অদুনি হায়খি।

অদুবু কুমজা ২০০১গী জুন ১৮দা মীওই ১৮না মণিপুরগী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি ঙাক্নবগীদমক থৱায়না পোন্থা ওইখিবদু বি জে পি লৈঙাক্কী মতমদনি হায়রদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না এন এস সী এন-আই এমগা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনবদা 'ৱিদাউথ টেরিটোরিএল লিমিট' হায়বা ৱাহৈশিং হাপচিল্লুবদগীনি হায়খি। কুমজা ২০১৫দা নাকল অনীগী মরক্তা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনখিবা অদুসু বি জে পিগী লৈঙাক মনুংদা থোকখিবা অতোপ্পা থৌদোকনি হায়খি।

লোয়ননা বি জে পি খক্তনা মণিপুর কনগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী মায়োক্তা মহাক্না হায়, বি জে পিবু হৌদোক্লম্বা লুচিংবশিংনা কন্সটিট্যুসননা অয়াবা পীরিবা সিক্যুলরিজমগী ৱাখল চেন্দে। মখোয়গী লুচিংবশিং অদু ফেসিজম শৌগৎপশিংনি হায়খি।

বি জে পি লৈঙাক্লা লৈবাক অসিবু ৱান কন্ত্রি ৱান রিলিজন হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা হিন্দু রাষ্ট্র ওন্থোক্নবা হোৎনরে হায়রদুনা বি জে পিগী লৈঙাক অসি মতম অমগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## 'অগ্নিপঠ স্কিম হন্দোক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিল্লনি'

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচএনএস) : লৈঙাক্লা লৈবাকসিদা অগ্নিপঠ স্কিমগী মখাদা মিলিটরি রিক্রুটমেন্ট চত্থরগনি লাউথোরক্লিবা অসি লৌথোকউ, মথোং হুক্তবা স্কিম অসিগী মায়োক্তা ষ্টেট কয়াদা মৈ চাকখৎলক্লিবা অসি লায়না লৌদে হায়রদুনা লৈঙাক্লা হন্দোক্ত্রবদি মণিপুরদসু মসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না সী পি আইগী লুচিংবা এল সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মহাক্না ইরাবত ভবনদা পাউমীশিংদা হায়, লোনা য়াদবা এনক্রোচরশিং তকথোকপদি শৌগৎলি। অদুবু লায়রবশিংদি মীনুংশি য়েংদুনা মতেং পাংবীগদবনি। পাউগী এজেন্সীশিংদগী ফংবা মতুংইন্না অগ্নিপঠ স্কিমগী মায়োক্তা হৌজিক লৈবাকসিগী ষ্টেট খরদা মীশি মীনা য়াওবা থৌদোক থোরক্লে। নুমিৎ ৪নি চল্লকপদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা অগ্নিভরশিংগীদমক চাদা ১০গী জোব রিজার্ভেসন তৌরগনি লাউথোরক্লে। ৱাফম অসি এক্স সর্ভিসমেনশিংগী চৎনরক্লিবা রিজার্ভেসনগী মথক্তনি। পীগনি হায়রিবা খুদোংচাবসিদা সী এ পি এফ অমদি অসাম রাইফলসনচিংবা য়াওরি। অদুগা অগ্নিভরশিংনা হায়রিবা খুদোংচাবশিং অসি ফংবদা চহী ৩ কোমথোক্কনি হায়নসু ফোঙদোক্লি। লোয়ননা সী এ পি এফ অমসুং অসাম রাইফলসতা হৌজিক পোষ্ট লাখ ৪০ রোম হাঙদুনা লৈরি হায়রদুনা ওফিসরশিংগী রেঙ্কতনা পোষ্ট লাখ ৩০ রোম হাঙলি। মসিগী মথক্তা মণিপুরগী ওইনা য়েংলুরগসু আই আর বিনচিংবগী পোষ্ট কয়া লৌনবা রিক্রুটমেন্ট পাঙথোকখ্রগা হায়দোক্তবসু য়াওরি। অদুবু মোদিগী লৈঙাক্না কুমজা ২০১৪দগী লৈঙাক চুপ্লি পায়রকপদগী লৈবাক অসিদা থবক ফংদবগী অৱাবা লৈহন্দনবা নহারোল ক্রোর ২দগী তাদনা থবক পীগনি হায়খিবনি। অদুবু ৱাফম অদু থবক্তা মায় পাক্না ওন্থোক্ত্রি। মসিগী মহুত্তা মহাক্না ষ্টার্ট অপ স্কিম হৌদোক্তুনা মশানা মশাবু থবক পীজরো হায়বরোমদা লাক্লি হায়খি।

অদুবু অগ্নিপঠ ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## মোংশাঙ্গে ওল্ড এজ হোমগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) : ওল্ড এজ হোমদা লৈরিবা মীওইশিং অসি লাইরিক্কী মঙাল ফংলক্তবসু য়াওবগা লোয়ননা হৌজিক্কী মতমদা নহা ওইবশিংনা তাথী-তাওইনা তৌবীদুনা থৌওইবীরক্তবদগীনি হায়না সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মোংশাঙ্গেদা লৈবা ওল মণিপুর সিনিয়র সিটিজেন্স ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী মেনেজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা মফম অসিগী ওল্ড এজ হোমগী ১২শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মোংশাঙ্গে মখা লৈকায়গী অরুবম ইস্খোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা মহাক্না হায়, মীওইবগী মীৎলুগী পি হায়বসিদগী হেন্না তাঙবা অমা লৈত্রে। অহল লমনশিংগী থৌগল নীংথিনা তৌবীবা হায়বসিনা লাইগী থৌগল তৌবদগী হেন্না মহয় চাওই হায়নরিবনি। খৎন-চৈনবা অমদি নুংঙাইনদবা থোক্তনবা পেন্থোক্না হিংমিন্নবা চঙই। অমগীসু অমগীসু য়ানবা হোৎনবা চঙই। পুন্নমক্না ফাজিন পুনশিন্দুনা থম্বীরিবা মখোয়গা নুংশি চান্নলা লৈমিন্নবা হায়বসি শেম্বীবা মপুগা ঐখোয়গগী মরক্তা অফবা মরী শাগৎপগা চপ ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## থাংমৈবন্দদা পোকখায়হল্লম্লে, অন্দ্রোদা বোম লৈরম্লে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) : ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৫০ রোম তারকপদা থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকায়দা লৈবা হিজম থাংজঙানবা লুৱাং অপোকপা ইবুংঙো লুৱাংগী য়ুমদা শকখঙদবশিংনা আই ঈ দি অমা প্লান তৌদুনা পোকখায়হল্লম্লে হায়রি। অদুম ওইনমক বোম পোকখায়ফমগী অকোয়বদা লৈবা মফম খরদা অকায় অতোয় থোকখিবা নত্তনা মীশি মীনা য়াওহৌদ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তারকপদনা অন্দ্রোগী সন্থৈ পার্ককী চঙফম মনাক্তা নৌনা শাগৎলিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমগী কেম্পসতা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরম্লে হায়রি।

বোম অদু থেংনবদগী পুলিসতা পাউ পীরবা মতুংদা পুলিসকী এক্সপার্টশিং লাক্তুনা লৌথোক্লগা পার্ক অসিগী চীংয়াগী শরুক অমদা অশোক অপন য়াওহন্দনা পোকখায়হনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মফম অদুগী মনাক্তা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদসু হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরম্বদগী পুলিসনা লৌথোকখিবা লৈখ্রবনি হায়রি। থৌদোকশিং অসি ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা কনানা থোকহল্লম্বনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি।

## 'দ্রগ লল্লোনবশিংগী মতেং পাংনবা এম এল এ ওইরকপা নত্তে'




ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) : ক্বাক্তা অমদি মোইরাংগী মনুংদা লৈবা মমা মপা ওইবশিংনা করিগুম্বা মচাশিংনা দ্রগ শীজিন্নরে খঙলবদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মকোক থোংবশিংদা চঙজরকউ নৎত্রগা এম এল এ মশাদা চঙজরকউ হায়না মোইরাংগী এম এল এ থোঙাম শান্তিনা ফোঙদোকখ্রে।

লোয়ননা রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থম্নবা অচঙবা শেলসু এম এল এগী মায়কৈদগী পুথোক্কনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হৌদোরক্লিবা ৱার ওন দ্রগস ২.০গী কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং ক্বাক্তাদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা এম এল এনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শীন্দুনা ক্বাকৈথেল কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রমগী অপুনবা লন থুমগী শেনফম লুপা ৩৯,১৬,৩৭৮ ওইখি

**মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎশিংগী লন-থুম খঙমিন্নসি -২৬**

**এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমার**

**খোমজিনবা- ডা. খাইদেম অথৌবা**



ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) : চহী অসিগী ফেব্রুৱারি অমদি মার্চ থাদা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লি মীখলদা ৩৫-খাঙবোক এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী) গী মীরেপ ওইদুনা মীখলদা মায় পাকলকখ্রবা এম এল এ সূর্য্যকুমার (৩৪) থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা থৌবাল অথোকপম মখা লৈকায়দা লৈবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবিগী মচানুপানি। মহাক কুমজা ২০০৮দা য়ুনাইটেদ কিংদমগী কিংষ্টন য়ুনিভর্সিটিদা ইকোনোমিক্স ওনর্সতা বেচেলর ওফ আর্টস (বি এ) লোইশিল্লকখি। মহাক্কী লোয়নবী মিকি হিজম ডাক্টর অমা ওইনা থবক তৌরি।

মীখলগী মাঙওইননা ইলেক্সনগী রিটর্নিং ওফিসরদা মহাক্না পীশিনখিবা নোমিনেসন পেপরগা লোয়নবা এফিদভিটকী মতুংইন্না মীখল মমাংদা মহাক্কী মখুৎতা লুপা ১,৯২,১৪০ লৈখি। লোয়নবীগী মখুৎতনা শেল ওইনা লুপা ১,১০,২০০ লৈখি। মহাক্কী ঐচ দি এফ সী বেঙ্ককী একাউন্টদা চহী অসিগী জনুৱারি ২৬ ফাওবদা লুপা ২,৭৫৭ লৈখি। অনীশুবদা এস বি আইগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্যুৱারি ৭ ফাওবদা লুপা ৪,০০,৬৮১ লৈখি। অহুমশুবদা এস বি আইগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৫ ফাওবদা লুপা ৫,০০০ লৈখি। মহাক্কী লোয়নবীগী ঐচ দি এফ সীগী একাউন্টদা চহী অসিগী জনুৱারি ২৬ ফাওবদা লুপা ৯৬,১৮৪ লৈখি। অনীশুবদা এস বি আইগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৫ ফাওবদা লুপা ৬১,১৬১ লৈখি। অহুমশুদা এক্সিস বেঙ্ককী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৯ ফাওবদা লুপা ৫,০০০ লৈখি। মহাক্কী মীংদা চাওরাক্লা লুপা ১,৮৬,৭৯৯ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম ১০০ লৈ। চাওরাক্লা লুপা ১৪,০৭,০০০ লোম ওইগদবা ঘড়ি ৭ লৈ। চাওরাক্লা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মফম ২দগী হিরোইন ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচএনএস) : ঙসি অয়ুক পুং ১১.১০ রোম তারকপদা ককচীং কম্মান্দোগী টিম অমনা পল্লেল সী দি ও চেক পোষ্ট মনাক্কী লৈমনাই চীংজিন্দা চেক তৌবদা কার (ৱেগন আর) এম এন-০২/এ-৪৪৯৯দগী সাপোন কেপ ৫০দা হাপ্লগা পুরম্বা হিরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ৬১০ ফারে হায়রি।

দ্রগশিং অসিগা লোয়ননা গাড়ী অসিদা তোংলকখিবা তেংনৌপলগী মোলনোইদগী লমভা হাওকিপ (৩৮) মপুরোইবা ওন্থোং হাওকিপ, মহাক্কী মচানুপা লেটখোগিন হাওকিপ (১৮), খোনোংফাই ভিলেজদগী সী ঐচ নেমনৈকিম মাতে (৪৩) মপুরোইবা চুংলেপ মাতে অমসুং নেংনৈচোং হাওকিপ (৩৭) মপুরোইবা পাউঙম হাওকিপ, মোরে ৱার্দ নম্বর ১সু ফারে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা বিষ্ণুপুর কম্মান্দোগী টিম অমনা ফোলজাং ৱার্দ ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## পোজিটিভ কেস ১ থেংনরে, এক্টিভ কেস ২ শুরে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ১০গী সেম্পল ৪৫ টেষ্ট তৌখিবদা ঙরাং পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনখিদ্রবসু ঙসিগী ওইনদি হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ৮গী সেম্পল ৪৭ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী নুপী ১ কোভিদ পোজিটিভ ওইরমখিবগা লোয়ননা ঙরাং ফাওবদা পোজিটিভ কেস ২ লৈরম্বগী মনুংদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকখিবা ১ ঙসি দিসচার্জ তৌখ্রবা মতুংদা শুপ্নতগী এক্টিভ কেস ১ খক্তমক লৈগদবদু অনৌবা কেস অমা থেংনবদগী এক্টিভ কেস ২ লৈরে।

অদুম ওইনমক হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অমত্তা লৈখিদবনা হান্নদগী লৈরকপা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ২১২০ অদুদগী অহেনবা লৈত্রি।

অদুবু নৌনা থেংনবা কেস অমা হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা কেস মশীং ১,৩৭,২৪৫ শুরে। অদুগা অপূনবা ফগৎলকখ্রবশিংগী মশীংনা ১,৩৫,১২৩ শুবগা লোয়ননা ফগৎলকপগী চাং চাদা ৯৮.৪৫ ওইরি। লোয়ননা ঙরাং খক্তদা মীওই ৩০৩৭ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা কাপথোকখিবা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ মশীং ২৯,৩৮,৭৫৩ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজনা ১৫,৮৫,৭৭১নি অদুগা প্রিকোসনরি দোজগী মশীংনা ১,০৩,৮৩৭ শুরে হায়রি।

**HL Poll**

Q : National Highwaysingda mayoknarakliba khudong-chadabasing leingakna athuba matamda yengsinfam thoktabra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : STDCM na makha tana hairaktrabasu leingakna Meitei/Meeteibu ST listta chalhannaba hotnafam thoktabra?

Yes 100% No 0%

**অস! লোইরেহে!**

- লৈবাক মাঙনবা শিনবশিংসি লোইশিনবীরো, সার?



- মখোয়নসু নহান নখোয়বু অসুমাইনা হায়রম্মী।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫